# ইন্দিয়ান ৱেলসঃ নুপীগীদা সবালেঙ্কা অদুগা নুপাগীদনা জেনিক সিন্নরনা টাইটল লৌখ্রে

**কেলিফোর্নিয়া, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):**

ইন্দিয়ান ৱেলসকী ওইনা ঙরাং শান্নখিবা ৱিমেন্স অমদি মেন্স সিঙ্গলসকী তোঙান তোঙানবা ফাইনেল মেটচশিংদা এরিনা সবালেঙ্কা অমসুং জেনিক সিন্নর মায় পাক্তুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।





ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা এরিনা সবালেঙ্কা অমসুং ইলেনা রিবাকিনাগী মরক্তা অকনবা লম্বা তৌনখি। মালেমগী ওইনা নুপী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মমিং লৈরবী শান্নরোয় অনীনা ঙরাং অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুগী ওইনা শান্নরোয় অনীমক্লা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্ল বগীদমক মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উখোক্তুনা শান্নখি। অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এরিনা সবালেঙ্কানা সেট ১-২(৩-৬, ৬-৩, ৭-৬ (৬)) দা মায় পাক্লগা নুপীগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

মেটচ অদু মায় পাক্লবা মতুং এরিনা সবালেঙ্কানা ফোঙদোকখিবদা রিবাকিনাগা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না চেলেঞ্জিং ওই। মহাক্কুম্বী শান্নরোয় অমগা লম্বা তৌনবদা মায় পাকপা ঙম্বা হায়বসি মহাক্কী ওইনদি য়াম্না নুংঙাইবা অমদি চাওথোক্লিংঙাই মীকুপ অমনি। শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা রিবাকিনানা খরা লাকচনা শান্নখিবনা মরম ওইরগা মহাক্কী ৱাখল্লোনদা চরাংনবা কয়া পোকখি। অদুবু মেটচ অসি মায় পাক্তবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোনদা মহাক্কী তংদু লৈতাদবা ৱাখল অদু কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নখি। মদুনা মরম ওইরগা লেমহৌরিবা সেট অনীদা মহাক্লা মহাক্কী সার্বিসশিং মাঙহন্দনা শান্নবগা লোয়ননা মায় পাকপা ঙমখি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ইলেনা রিবাকিনানা ফোঙদোকখিবদা সবালেঙ্কাগা লম্বা তৌনখিবা অদুদা মহাক্কী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উখোক্তুনা শান্নবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মহাক মায়থীবা নঙখিবনি হায়না লৌই। অদুবু মসিদা মহাক নুংঙাইতবা তৌদে মরমদি স্পোর্টস হায়বসি মায় পাকপা নত্রগা মায়থীবগী লাননি হায়খি।

অমরোমদা, মেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদনা জেনিক সিন্নর অমসুং দেনিল মেদবেদেবকী মরক্তা লম্বা তৌনখি। শান্নরোয় অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা জেনিক সিন্নরনা সেট ২-০ (৭-৬ (৬), ৭-৬ (৪))দা মায়থীবা পীরম্লগা নুপীগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

এ টি পি মাষ্টর্স ১০০০ হার্দ কোর্টকী টাইটল ৬ মক লৌবা ঙম্বা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা জেনিক সিন্নরনা অহুমশুবা ওইরি। মালেমগী ওইনা টাইটল ৬ মক লৌবা ঙম্বা হান্নগী শান্নরোয় অনী অদুদি নোবাক জোকোভিক অমসুং রোজর ফেদররনি।

মেটচ অদু মায় পাক্লবা মতুং জেনিক সিন্নরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লদুনা দেনিলগা শান্নখিবা মেটচ অদু মহাক্কী ওইনদি য়াম্না লুবা মেটচ অমা ওইখি। দেনিলনা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদুগী থাক য়ৌনা শান্নরক্কনি হায়বা মহাক্লা থাজরুদে। দেনিলনা ঙরাং মহাক্কী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উখোক্তুনা শান্নবা ঙমখিবা অদুগীদমক্তসু মহাক্লা নুংঙাইবা ফাওই। মহাক্কী ফেনশিংগী মীনুংশিনা মরম ওইরগা ঙসি মহাক্লা লেমজনিংঙাই ওইরবা ইন্দিয়ান ৱেলসকী টাইটল লৌখিবনি হায়খি।

# নেশনল চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয়শিংগী মীং লাউথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস):**

রাজস্থানগী উদয়পুরদা মথং থাগী ২৫দগী হৌরগা ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা নেশনল সব-জুনিয়র অমদি জুনিয়র মেন এন্দ ৱিমেন পৱারলিফটিং (অন-ইক্বিপ্ট) চেম্পিয়ন্সিপ অমদি নেশনল দেদলিফট মেন এন্দ ৱিমেন (অন-ইক্বিপ্ট) ওল্ড এজ গ্রুপ চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা মণিপুর টিম মহুৎ শীল্লুগদবা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।



ইন্দিয়ান পৱারলিফটিং ফেদরেশনগী মীৎয়েং মখাদা পৱারলিফটিং এসোসিএশন ওফ রাজস্থাননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুগা মরী লৈননা পৱারলিফটিং এসোসিএশন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি টি ঐচ প্রেমোজিৎনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মণিপুরগী ওইনা নুপা পৱারলিফটিং শান্নরোয় ১৯, নুপী শান্নরোয় ৩ অমসুং ওফিসল ২ য়াওরগা পুন্না মীওই ২৪না শাবা টিমগী মমিং লাউথোকখিবনি। মণিপুর টিমগী মহুৎ শীল্লুনবগীদমক খল্লবা নুপা অমদি নুপী পৱারলিফটিং শান্নরোয়শিংনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক থা অসিগী ১৮দগী হৌরগা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী য়ুনিট জিমদা কোচিং কেম্প পাঙথোক্কনি হায়রি।


# ভিলেজ ৱাইজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস):**

ময়াং লাংজিং য়ুথস লাইব্রেরি ক্লবনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চথরকখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২৯দগী হৌরগা ১৫ রক শুবা ৯-এ-সাইদ ভিলেজ ৱাইজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ক্লব অসিনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্লব অমদি ফুটবোল ওর্গনাইজেসনশিংনা ময়াং লাংজিং য়ুথ লাইব্রেরি ক্লবতা লাক্তুনা ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। হেন্না অকুপ্পা মরোল খঙনীংলবসু ক্লব অসিদা লাক্তুনা খঙলবা য়াগনি। চথগদৌরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩০ অদুগা রন্নর্স অপতনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ২০ পীগনি। অদুগা অখন্নবা মনাদা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমদা লুপা ১৫০০ অদুগা হায়েষ্ট গোল স্কোরর, বেষ্ট প্লেয়র অমদি বেষ্ট গোল কিপরদা শেলগী মনা ওইনা মথংশিংনা লুপা লিশিং ১/১ পীগনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1762**

**IM Anthony Atanasov (2429) - CM Viacheslav Tikhonov (2172)**
**1st 3-0 Thursday Nov 13th 2025 chess.com INT (11), 2025.11.13**

1.d4 d5 2.Bf4 Nf6 3.e3 g6 4.Nd2 Bg7 5.c3 O-O
6.Ngf3 b6 7.Be2 Bb7 8.Ne5 c5 9.h4 Nc6 10.h5 Nd7
11.hxg6 hxg6 12.Ndf3 Ndxe5 13.Nxe5 Nxe5 14.dxe5 e6 15.Bd3 d4
16.Qg4 dxc3 17.O-O-O Qc7 18.Qh4 Rfd8 19.Bg5 cxb2+ 20.Kb1 Rxd3
21. ...

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1761 Solution :**

**41.Rxf7+** *The white rook deflects Black's king away from protecting the square h6. The white rook captures Black's pawn, which was defending Black's pawn. Opening the line from h6 to f8. Opening the line from g6 to g8.* **Bxf7**

*41...Kg8 42.Qxg6+ Kh8 43.Rh7#*

*41...Kh8 42.Qxg6 Re2+ 43.Kg1 Bxf7 44.Qh7#*

**42. Rxf7+** *The white rook decoys Black's king. The white rook deflects Black's king away from protecting the square h6. Opening the line from h6 to f8. Opening the line from g6 to g8.* **Kxf7**

*42...Kg8 43.Qxg6+ Kh8 44.Rh7#*

*42...Kh8 43.Qxg6 Re2+ 44.Kg1 Rxd2 45.Rh7#*

**43. Qxg6+ Kf8 44.Bh6#** *Balestra mate*
**1-0**

# সেরি এঃ লাজিওনা এ সী মিলান থোইখ্রে

**রোম, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):**

ইটলিদা হৌজিক চথরিবা সেরি এগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লাজিওনা এ সী মিলান মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এ সী মিলানগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা এ সী মিলাননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬০ ওইখিবা মতমদা লাজিওনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪০ ওইখি। মেটচ অসিদা এ সী মিলাননা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংবা ঙমখিদে।

অমরোমদা, লাজিওগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চনবা য়াবা কাউন্টর এটেকশিং চথদুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী ২৬ শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় গুস্তাব ইসাকেনা চনখিবনি। মিলানগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা হোৎনরবসু লাজিওগী দিফেন্দরশিংনা থিংদুনা অরেম্বদা তাহনখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা লাজিওনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা এ সী মিলানগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙম্নবা মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উখোক্তুনা শান্নখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু লাজিওনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি।







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com